# মীখলদা আর জে দি মায়থীখ্রবা মতুংদা লালু প্রসাদ চাউ-থকউ হায়বা য়াখিদ্রে ঃ ডাক্তর



রাঞ্চি, মে ২৬ (এজেন্সী):
রষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি)গী লুচিংবা লালু প্রসাদ যাদবনা অয়াম্বা মতমদা চাউ-থকউ হায়বা য়াখিদ্রে হায়না রাজেন্দ্র ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস)কী ডাক্তরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

মীখলগী ফল লাউথোরকপদা আর জে দিনা বিহারদা সিট অমা ফাওবা ফংখিদ্রবা মতুংদা লালু প্রসাদকী মওং মতৌদা অহোংবা অমা লাকখিবনি। লুপা ক্রোর কয়ামরুমগী শজিক লৈবগী ৱাথোক্তা চেন্নৈ হায়বগীদমক জেলদা লৈরিবা লালুগী মওং মতৌদা অহোংবা কয়া লাক্লে হায়না ডাক্তর উমেস প্রসাদনা ফোঙদোকখি।

পাউ মীশিংগা উনখিবা অমদা ডাক্তর প্রসাদনা হায়খি, হিদাক লাংথক পীজবদা খুদোংচানবগীদমক চাং নাইনা চাক-ঈশিং চানবা হায়বদা লালুনা থৌশাদ্রে। রামবিলাস পাসৱান অমদি নিতিন বর্মনচিংবা আর জে দিগী লুচিংবা কয়ানা জেলদা লৈরিবা লালু প্রসাদকী ফিভম য়েংশিনবা চৎখি। পুক্নিং লাংতক্লবগী মওং মাল্লবা লালু প্রসাদনা এসেম্বলী মীখলদা সিট মশিং য়াম্না ফংবা ঙমহন্নবা থৌরাং লৌখৎপা মতম ওইরে হায়না আর জে দিগী লুচিংবশিংদা খঙহল্লকখি।

পনবা য়াবদি, হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেস অমদি আর জে দিনা বিহারদা পুন্না চৎমিন্নখিবা তারবসু সিট অমা ফাওবা ফংবা ঙমখিদে। বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এনা ষ্টেট অসিগী অপুনবা লোক সভা সিট ৪০গী মনুংদা ৩৯ ফংবা ঙমখি।

আর জে দিনা অপুনবা ভোট মশিংগী চাদা ১৫ ফংখিবা তারবসু লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি অমত্তদা মায় পাকপা ঙমখিদে। লালু প্রসাদ যাদবনা জেলদা লৈবগা লোয়ননা পার্টি অসিগী ফিভম শোকচিল্লকখ্রবা মতুংদা মকোক থোংবা পার্টিগী লুচিংবা অমদি ৱার্কর কয়া অতোপ্পা পার্টিশিংদা য়াওখিনবা থৌরাং লৌখনরক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০২০গী ওক্টোবরদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসেম্বলীগী মীখলদা মাংওইননা আর জে দিগী লুচিংবা কয়ামরুম নেসনল দেম্মক্রেটিক এলাইয়েন্স (এন দি এ) দা য়াওখিবা য়াই হায়না থাজনরি।

লোক সভা মীখলগী ফল লাউথোরকপদা বি জে পিনা নীংশিংনিংঙাই ওইবা মওংদা সিট মশিং য়াম্না ফংখ্রবা মতুংদা আর জে দিগী থৌমী কয়াসু বি জে পি, জনতা দল য়ুনাইটেদ অমদি লোক জন শক্তি পার্টিনচিংবা এন দি এগা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংদা য়াওনবা ফিরেপ লৌরকখিবনি।

আর জে দিগী মকোক থোংবা লুচিংবা অমনা এজেন্সিদা হায়খি মদুদি, লালু প্রসাদকী মচানুপা টেজ াস্বি যাদবনা পার্টিগী টিকেট পীবদা মীচং মীখাই নাইবগা লোয়ননা থৌশিল শোইবদগী মীখলদা পার্টি অসি চাওনা মায়থীবা নংখিবনি। এসেম্বলীগী মীখল পাঙথোক্কদবা থা ১৭ রোমতা ঙাইশিল্লকপা মরম্না পার্টি অসিগী মকোক থোংবা লুচিংবা কয়ামরুম এন দি এগী মপাং ওইরিবা অতৈ পার্টিশিংদা চঙখিবা য়াই হায়না থাজনরি।

# দি এম কেনা পালানিস্বামীবু টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টরগী ফম থাদোক্নবা তকশিনখ্রে





চেন্নাই, মে ২৬ (এজেন্সী):
লোকসভাগী মীখল লাউথোকখ্রবা মতুংদা দি এম কেনা টামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর ই কে পালানিস্বামীবু ফম থাদোক্কদবনি হায়না তকশিনখ্রে।

টামিল নাদুনা পালানিস্বামীনা লুচিংবা এ আই এ দি এম কেনা লোক সভাগী সিট অমখক ফংখিবগা লোয়ননা দি এম কেগী ওইনদি সিট ২৩ ফংবা ঙমখি। লুচিংবা মতিক চাদবনা এ আই এ দি এম কেগী ফিভম শোকচিল্লকপনি হায়না মরাল শীরদুনা দি এম কেগী লুচিংবা দয়ানিধি মরননা হায়খি, মীখলদা মায়থীখিবগী মোরেল রেস্পোন্সিবিলিটি লৌবা ওইনা পালানিস্বামী ফম থাদোকপা মতম ওইরে।

চেন্নাই সেন্ট্রেলগী এম পিসু ওইরিবা দয়ানিধি মরননা হায়খি, এ আই এ দি এম কেনা শুপ্পগী সিট অমখক ফংবা ঙমখিবা অদুসু য়াম্লবা শেনফম অমা থাদরগা অরানবা মওংদা ফংখিবনি। হন্দক্কী মীখলদা এ আই এ দি এম কেগী ফিভম শোকচিল্লকখিবা তারবসু দি এম কেগী ওইনদি লোক সভাগী সিট কয়া মরুম ফংখিবগা লোয়নন এসেম্বলীগী বাই ইলেক্সনদসু চাওনা মায় পাকপা ঙমখি।

ষ্টেট অসিগী অপুনবা এসেম্বলী কন্সটিট্যুয়েন্সি ২২দা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখলদা দি এম কেনা কন্সটিট্যুয়েন্সি ১৩দা মায় পাকখি। মীখল অদুদা দি এম কে অমদি এ আই এ দি এম কেনা অঙম্বা থাক্তা সিট মশিং য়াম্না ফংনবা হোৎনখিবগা লোয়ননা অমগী মথক্তা অমনা মরাল কয়া শীন্নখি।

পনবা য়াবদি, খা থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিং তোখাই তানবা থৌরাং লৌখৎলকপা মতমদা মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না দি এম কেগী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এম কে ষ্টেলিননা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

খা থংবা ইন্দিয়াগী ষ্টেট অনীনা সেন্টরদা য়াম্লবা শেনফম অমা টেক্স ওইনা থিরি হায়না মরী লৈনবা চীফ মিনিষ্টরশিংনা ফোঙদোকখ্রবা মতুংদা এম কে ষ্টেলিননা ইন্দিয়াদগী তোখাই তাবগা মরী লৈনবা ফিরেপ লাউথোকখিবনি।

ইরোদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা ষ্টেলিননা হায়খি, খা থংবা ষ্টেটশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা দ্রাবিদা নাদু হায়না মিংথোনবা তোখাইবা লৈবাক অমা শেম্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

করনাটাকাগী চীফ মিনিষ্টর সিদারমায়া, অন্ধ্র প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর চন্দ্রাবাবু নাইদু অমদি টেলঙ্গনাগী চীফ মিনিষ্টর কে চন্দ্রসেখর রাওনসু হিরম অসিগা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোকপা লৈখ্রে।

সিদারময়ানা হায়খি, খা থংবা ষ্টেটশিংদা মীশিং য়ামখৎলকপদগী লৈঙাক্লা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্ন রিঙৈগী চৈরক্তা য়াম্লবা শেনফম অমা সেন্টরদা টেক্স ওইনা পীরবসু ষ্টেটশিং অসিগী অখন্নবা থৌরাং অমত্তা লৌখৎপীদ্রে।

খা থংবা ষ্টেটশিংনা সেন্টরদা টেক্স য়াম্না থিবগী মনা পীবা ওইনা চাওখৎ থৌরাং কয়া মায়কৈ অশোমদা লৌখৎপা মথৌ তাই হায়নসু নাইদু অমদি রাওনা ৱাকৎখি।

# সুরটতা কোচিং সেন্টর মৈ চাকখিবগী মতাংদা এন ঐচ আর সিনা সুও মোটো কোগনিজেন্স কেস লৌখৎখ্রে




ন্যু দিল্লি, মে ২৬ (এজেন্সী):
সুরততা কোচিং সেন্টর মৈ চাকপদা মীওই ২০ শীখিবগী মতাংদা নেসনল হ্যুমেন রাইটস কন্মিসন (এন ঐচ আর সি)না হায়খ্রে মদুদি লাইবক থিবা থৌদোক অদু মহৈরোয়শিংগী রাইট খোঙ্গাওনবনি হায়বগী ময়েক শেংবা খুদম ফংলে।

হিরম অসিগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা এন ঐচ আর সিনা গুজরাট গভর্ণমেন্ট অমসুং ষ্টেট অসিগী চীফ সেক্রেটরী জগদিপ নরায়ন সিংহদা খঙহনখ্রে।

মৈ চাকখ্রবা বিল্ডিং অদুগী লিগেল ষ্টেটস, শাখিবগী মওং মতৌ, মৈহৌ লাংপোক থোক্লকপদা লৌখৎপা চেকশিন থৌরাংনচিংবা অকুপ্পা ৱারোলশিং ময়েং শেংনা খঙহল্লক্কদবনি হায়নসু এন ঐচ আর সিগী নোটিফিকেসন অমা থোকখি।

নুমিৎ ৪নিগী মনুংদা গুজরাট গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মপুং ফাবা রিপোর্ট অমা পীখৎলবা য়াই হায়না থাজনরি। এন ঐচ আর সিগী ষ্টেটমেন্ট পল্লদুনা এজেন্সিগী পাউনা হায়, মৈ চাকপগী থৌদোক্তা অশোক অপন নংখ্রবা মীওইশিং লায়েংবদা চঙবা শেনফম পুম্নমক ষ্টেট লৈঙাক্লা পুথোক্কদবনি। লৈখিদ্রবা মীওইশিংদা কম্পেনসেসন পীবা খক্লা ৱাথোক অসিগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই।

পুলিসনা থৌদোক অসিগী মতাংদা কোচিং সেন্টরগী মপু ভর্গবুটানি অমসুং বিল্ডিংগী মপু হর্সল বেকারিয়া অমদি জিগনেসকী মথক্তা এফ আই আর রেজিষ্টর তৌবা লৈখ্রবনি। হৌজিক ফাওবদা পুলিসনা বুতানি ফাখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই অনী ফাবা ঙমদ্রি।

সুরততা থোকখিবা থৌদোক অসিদগী পারা অমা তমহৌরগা দিল্লি ফাইয়র সার্ভিসনা নেসনল কেপিটেলদা চল্লাইরিবা কোচিং সেন্টর পুম্নমক য়েংশিন্নবা ফিরেপ লৌখ্রে। পি টি আইগা উনবা অমদা দিল্লি ফাইয়র সার্ভিসকী ওফিসরশিংনা হায়খি মদুদি নিংথৌকাবা নুমিৎতগী দিপার্টমেন্টনা কোচিং সেন্টর পুম্নমক্তা ওর্দিট তৌবা হৌরগনি।

অমরোমদা সুরতকী লাইবক থিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা কটক অমদি ভুবনেশ্বরদসু তোঙান-তোঙানবা কোচিং সেন্টরশিংগী মথক্তা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবা হৌখ্রে।

ওরিষা ফাইয়র সার্ভিসেসকী ওফিসল অমনা এজেন্সিদা হায়খি, কোচিং সেন্টরশিং ফাইয়র সেফটি সার্টিফিকেট য়াওগা হাংদোকখিব্রা অমসুং ফায়র সেফটি গাইদ লাইন্স ঙাক্লা চৎলিব্রা হায়বদু কুপ্পা য়েংশিনবা মথৌ তারে।

# অমেথিদা স্মৃতি ইরানিগা নক্নবা মীওই অমা কাপ্তুনা হাৎলম্লে

অমেথি, মে ২৬ (এজেন্সী):
উট্টর প্রদেশকী অমেথি পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগী এম পি ওইনা মায় পাক্লবা স্মৃতি ইরানিগা নক্নবা মীওই অমা হৌখিবা অহিংদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্লে।

বরাওলিয়া খুঙ্গংগী চীফ ওইরম্বা সুরেন্দ্র সিংহ কৌবা মীওই অদু ঙরাং অহিং শকখঙদবা মীওই খরনা জামো পুলিস ষ্টেসনননা কোনবা বরাওলিয়া খুঙ্গংদা লৈবা ময়ুমদা নেংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলম্বনি। মশাগী চহী ৫০ রোম শুরবা মীওই অদু অমেথিদা ইরানিনা মায় পাকপগী হরাওবা ফোঙদোক্লিঙৈদা শকখঙদবা মীওইশিংনা হাৎলম্বনি হায়রি।

মীখল মমাঙদা ইরানিনা ভোট খোম্বা মতমদা ভিলেজ চীফ কয়ামরুমগা লোয়নখি। সুরেন্দ্র সিংহসু অয়াম্বা মতমদা ইরানিগা লোয়ননা খুঙ্গংগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা চৎতুনা বি জে পিগী ভোট খোম্নগী থৌদাং লৌখি।

অমেথিগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিসনা এজেন্সিদা হায়খি, সুরেন্দ্র সিংহ হাৎলম্বগী থৌদোক্তা চেন্নরম্বা য়াই হায়না চীংনবা মীওই খরা ফারগা ৱাহং পাউহং চথবা হৌরে। তোঙান-তোঙানবা ইনভেষ্টিগেসন টিম অহুম শেমদুনা মফম কয়াদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথরগা চীংনবা মীওই ৬ ফাবা ঙমখিবনি হায়না দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসকী ওফিসনা ফোঙদোকখি। পনবা য়ামদি হন্দক্কী মীখলদা স্মৃতি ইরানিনা রাহুল গান্ধিদগী ভোট ৫৫,১২০ হেন্দুনা মায় পাকখিবনি।

# সি বি আইনা রজিব কুমার কৌখৎখ্রে

কোলকতা, মে ২৬ (এজেন্সী):
কোলকতা পুলিসকী চীফ ওইরম্বা রজিব কুমারবু সরাধা চিট ফন্দ স্কেমগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সি বি আই)না কৌখৎখ্রে।

রজিব কুমারনা লুচিংলগা পোঞ্জি স্কিমগী ইনভেষ্টিগেসন চথরিঙৈদা খুদম চাংদম পুম্নমক মাং তাকহনখি হায়না মরাল শীরকপা লৈখ্রবনি। কুমজা ১৯৮৯ বেটচকী আই পি এস ওফিসর অসি সোল্ট লেক্তা লৈবা সি বি আইগী কোলকতা ওফিসতা কৌরবা মতুংদা হয়েং ফারবা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

মমাঙদা সি বি আইনা এয়রপোর্ট অমদি পোর্ট খুদিংমক্তা লুক আউট নোটিস থাখিবগা লোয়ননা রজিব কুমারবু কোলকতা থাদোক্তুনা চৎপা ঙমহন্দনবা থৌরাং লৌখৎপা লৈখ্রবনি। ইরাই নুমিৎতা কুমারনা সরাধা চিট ফন্দ স্কেমগা মরী লৈননা বেলগী মতম শাংদোকপীনবা হায়জবদা সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রবনি।

# মীওই মঙা বোম পোকখায়বদা শোক্লে

পুরি, মে ২৬ (এজেন্সী):
উরিষাদা থোকখিবা মীখল মতুংগী খৎন-চৈনবা থৌদোক অমদা পুরি দিষ্ট্রিক্টকী ব্রহ্মগিরি এরিয়দা কাংলুপ অনী খুৎ থোক্নরকপা মতুংদা নাকল অমনা বোম পোকখায়হল্লকপদগী মীওই ৫ শোক্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি।

লোক সভা মীখলগী ফল হেক লাউথোকরপগা য়েংথিনবা কাংলুপ অনী খুৎ থোক্লবা হৌরকখি। নাকল অমনা বোম লংশিন্দুনা মীয়াম মরক্তা পোকখায়হল্লকপদা মীওই ৫ শোকপদগী হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। থৌদোক অসি থোকখিবগী পাউ হেক ফংবগা পুরি সদর পুলিস ষ্টেসনগী টিম অমা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিলহন্নবা থৌরাং লৌখৎখি।

ৱেষ্ট বেঙ্গলগী ওইনসু মীখল মতুংদা খৎন-চৈনবগী থৌদোক লেপ্তুনা থোরকখিবগা লোয়ননা কুটচ বিহারদা ত্রিণামুল কোংগ্রেস অমসুং বি জে পিগী ৱার্কর মশেল খুৎ থোক্লবদা মীওই ১ শীরে, অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক অপন নংলে হায়রি।

ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী ওফিসল অমনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কুটচ বিহারগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা পার্টিগী লোকেল ওফিসশিংদা বি জে পিগী থৌমীশিংনা এটেক চথরকপদগী নাকল অনী খুৎ থোক্নখিবনি। লোক সভা মীখলগী ফও হেক লাউথোরকপগা বি জে পিগী থৌমীশিংনা ত্রিণামুল কোংগ্রেসকী মথক্তা এটেক চথবা হৌরকখি হায়রি।

# পি এস গোলেবু ঙসি সিক্কিমগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি



গেংটোক, মে ২৬ (এজেন্সী):
মীয়াম্না পি এস গোলে হায়না খঙনবা সিক্কিম ক্রান্টিকারি মোর্চা (এস কে এম)গী প্রসিদেন্ট প্রেম সিংহ টমাংবু হয়েং সিক্কিমগী অনৌবা চীফ মিনিষ্টর ওইনা ৱাশক লৌরগনি হায়না রাজ ভবনগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অয়ুক পুং ১০ তাবদা পালজোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা গভর্ণর গঙ্গা প্রসাদনা মশাগী চহী ৫১ শুরবা গোলেবু থবক পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি। ঙরাং নুমিদাং এস কে এম লেজিসলেচর পার্টিগী লুচিংবা ওইনা খনখ্রবা গোলেগা লোয়ননা অতোপ্পা মিনিষ্টর খরসু ৱাশক লৌরবা য়াই হায়নসু থাজনরি।

এস কে এমগী প্রসিদেন্টনা ঙরাং মীখলদা নৌনা মায় পাক্লবা লেজিসলেটর ১৭কা লোয়ননা গভর্ণরদা অনৌবা লৈঙাক শেম্নবগী ক্লেম তৌখিবনি। কুমজা ২০১৬তা শেঞ্জা-থুমজাগী কেস অমদা কনভিক্সন পীদুনা চহী ১ জেলদা লৈরুরবা গোলেবু চীফ মিনিষ্টর ওইহনবগী মতাংদা লোগী ওইবা করি করম্বা ৱাফম লৈবগে হায়বদু খঙদোক্নবগীদমক গভর্ণরনা মতম খরা ঙাইনবা এস কে এমগী মীহুৎ কাংবু অদুদা খঙহনখি।

লোগী মরমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংগী মত লৌরবা মতুংদা গভর্ণরনা গোলেবু অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্নবা খঙহনখিবনি হায়না রাজ ভবনগী ছোর্স অমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩দা লিংখৎখিবা এস কে এমনা সিক্কিম লেজিসলেটিব এসেম্বলীগী মীখলদা পুন্না সিট ১৭ ফংবা ঙমখিবনি।

# ৩শুবা অঙাং ভোট থাদবা য়াহল্লোইদবনি ঃ রামদেব

হরিদ্বার, মে ২৬ (এজেন্সী):
যোগ গুরু রাম দেবনা হায়খ্রে মদুদি ইন্দিয়াদা মীশিং হেনগৎলকপগী চাং হন্থহনবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা অনৌবা লো অমা পাস তৌদুনা অঙাং অহুম পোকপা ইমুংদা অহুমশুবা অঙাং অদু ভোট থাদনবগী রাইট ফংহল্লোইদবনি।

ইন্দিয়াগী মফম পুম্নমক্তা য়ুশুংবা, য়োনবা অমদি থকপা মপুং ফানা থিংগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। লৈবাক অসিদা নোংমা নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপগী মতাংদা রাম দেবনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা চহী ৫০গী মনুংদা ইন্দিয়াগী অপুনবা মীশিং ক্রোর ১৫০দগী হেনবা য়াহল্লোইদবনি। মীশিং হেনগৎলকপা থিংনবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা অনৌবা লো অমা পাস তৌদুনা মচিন মনাও অহুমগী মনুংদা অহুমশুবা অঙাং অদু ভোট থাদবা নত্রগা মীরেপ ওইবা য়াহল্লোইদবনি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, লাইনিং খুদিংমক্কী মীওইশিংবু অঙাং অহুমশুনা পোকপা য়াহন্দনবা লো অমা শেম্বা মথৌ তাই। নোংমা নোংমগী মীশিং হেনগৎলকপনা লৈবাক অসিদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্নরি।

ষণ চাবা অমদি হাৎপগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা ষণ হাৎপা অমদি ষণশা চাবা মপুং ফানা থিংবা মথৌ তাই। কনাগুম্বনা শা চানিংবা তারবসু অতৈ অতোপ্পা মখলগী শা চাহনবদা অকায়বা লৈতে।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / অমাংথোং অকোয়বদা মরু-মরু পোল্লগা নাই চাবা অদুগা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাংথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা ফহনবগী ওজা সহিদুর রহমানবু হন্না-হন্না থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা, ঈ তাবা হেনমন্দুনা অমাংথোং অকোয়বদা য়াম্না চাওথোকপা, অমাংথোঙ অকোয়বদা মরু-মরু থোক্লগা নাই চাবা অদুনা খোঙ হাম্বদা য়াম্না নাবা, অমাংথোং মনুংদা চাথৎলগা ঈ তারকপা, নোংমনা খোঙ হাম্বদা ঈ য়াওরকপা, ঈ থোকমন্দুনা হকচাং কংশিল্লকপা, হকচাং মচেৎ-মচেৎ খোঙ হাম্বা লোইরগা মরেং-মরেং চৎপা তৌরম্বা অদু Sahidur Rahman Makakmayum, Mobile No. 8310735055 / 9612725989 দা মতম খরা চৎতুনা য়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Sahidur Rahman বু পুন্সি চুপ্পগী ওইনা মীয়ামগী সেবা তৌবা ঙম্বা ওইসনু হায়না হন্না-হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎচরি।

লায়েংজরিবা মফমশিং :-
1. Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba (6 am to 9.30 am)
2. Sangai Bazar M/s Gambhir Enterprises Takhellambam Konjil (Hiyangthang) (10 am to 5pm)
3. Pallel Bazar, Kakching District.

HL-P/3860/27 থাগৎচরিবা : **Chirom Shanta,** Heirok Part-2

THE HIGH COURT OF MANIPUR
AT IMPHAL

ADVERTISEMENT
Imphal, the 25th May, 2019

No.HCM/R-6/2019-Estt(II)/: Applications are invited online for filling up the following posts in the Scale of pay as given against the posts by direct recruitment. Recruitment and conditions of service shall be governed by the Manipur Judicial Service Rules, 2005 as amended from time to time.

| Sl. No. | Name of Posts | Scale of Pay | No. of Posts (Which may increase) | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | UR | ST | SC | OBC (M) | OBC (MP) | TOTAL |
| 1 | Manipur Judicial Service Grade – III (Regular Vacancy) | ₹ 27700-770-33090-920-40450-1080-44770/- | 3 | 1 | 0 | 0 | 0 | 4 |
| | Manipur Judicial Service Grade – III (Vacancy is subject to the creation of post by the Government of Manipur in compliance of the Judicial Order dated 16.01.2019 passed by the High Court of Manipur in PIL No. 9 of 2015) | ₹ 27700-770-33090-920-40450-1080-44770/- | 1 | 2 | 0 | 1 | 0 | 4 |

Details along with the mode of application are available in the High Court website – http://hcmimphal.nic.in

Important Dates:
- Opening of Online Registration and Submission of Application Form: 10th June, 2019 (11:00 A.M.)
- Closing of Online Registration and Submission of Application Form: 27th June, 2019 (4:00 P.M.)
- Download of Admit Card: 17th July, 2019 (11:00 A.M.) onwards.

Sd/-
(A. GUNESHWAR SHARMA)
REGISTRAR GENERAL
HIGH COURT OF MANIPUR

HL-B/5414/26,27

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / সুধাকর (শামু) বু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি


সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাক লৈরক ইম্ফাল (আই টি আই) মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা ওজা লাইশ্রম নবকিশ্বরগী মচানিপা লাইশ্রম সুধাকর (শামু) না ওজাগী মহুৎ শিন্দুনা লায়েংবীবদগী ঐগী ঈশিং মরীদা লৈরম্বা 6.4 mm গী নুঙ অদু তারে। হৌজিক্তি হকচাং য়াম্না নুংঙাইরে। মসিগীদমক লাইশ্রম সুধাকর (শামু)বু পাউচেগী থোঙদা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : য়াম্বেম তোম্বা সিংহ
চিংমৈরোং মনিং
HL-P/4192/25,26,27

ꯊꯕꯛ/EMPLOYMENT NEWS /থবক্কী পাউ

1. 4 Technical Supervisor-Diploma in Civil, Minimum 3 yrs experience (preferably in steel structure) Aged below 28 yrs. (pay negotiable)
2. 10 Welder - ITI Welder passed / 3 yrs experience in Welder- Aged below 25 yrs (pay negotiable)

For details :
**Contact : Office of the PISATAO CONSTRUCTION**
Address : Khurai Thoidingjam Leikai, Imphal East
Pin Code. : 795010, # 0385 2421784
HL-P/3867/27,28,29

ꯌꯥꯅ ꯋꯥꯔꯣꯜ / য়ানা ৱারোল

লাঙ্গোল লাই মনাইদা লৈবা মালেম কোনুং লৈকোই মপূ পাখঙবা শঙলেন অসি কনাগুম্বা অমত্তগা মরী লৈনদনা লাইপূগী মচা ঐখোয়না শেমগৎ-শাগৎচরগে হায়না হুইয়েন লানপাউ চেফোঙদা হৌখিবা 18th-19th May 2019 ইং, নুমীৎ অসিদা হাপ্লকপগী মতাংদা হৌখিবা 25th May, 2019 নুমীৎ অসিদা লাই কন্মিটি অমদি লাইপূগী মচা পূন্না ফম্মীন্নদুনা য়েৎনবা অমত্তা লৈতনা য়ানবা অমা পুরকখ্রে।

মালেম কোনুং লৈকোই মপূ পাখঙবা শঙলেন লাই মনাইদা লৈরিবা অসি লাইপূগী মচা অমদি লাই কন্মিটি পূন্না মখা তাবা থবক থৌরম খূদিংমক লৌমিন্নবা হায়না য়ানরে।

লাইপূগী মচা
**Ngangom Aken Meitei**
(Laipu)

লাই কন্মিটি
**N. Nongmailembi Leima**
Vice President,
Malem Konung Leikoi
Mapu Pakhangba Committee

HL-P/4311/27

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / পূক নুংশিৎ কাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা ফহনবগীদমক ওজাবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা পূক নুংশিৎ কাবা, খোঙ হাম্বা খূদিংগী শৌজ নান্থবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা মশানা অমুক হনগৎখিবা, শৌজ নান্থবা অদুনা মরম ওইদুনা হকচাংদা য়াম্না নুংঙাইতবা, খোঙ হাম্বদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা, অমাংবদু খূৎনা কোৎলগা শেংনা লৌথোকহৌদ্রগনা অমাংথোংদা য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোংদা চক-চক থিল্লকপা, করিগুম্বা মতমদা অমাংথোং মনুংদগী তিনকুপ থোক্লকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা মনাং য়াম্না য়াওরকপা, মনাং য়াওরকপা মতমদা হকচাং য়াম্না চোকথবা-ৱান্থবা, অমাংথোংদা শারি-শারি তৌরগা লৈবা, শা-ঙা, থাউ, মোরোক চাবা য়াদবা, পূক্তা গেষ্ট্রিক কারগা পূক পংখোংদা খোংবা, পূকচেপ নাবা, খ্বাঙ-য়াঙলেন নাবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা নাবা, খোঙয়া শাবা, শিংলি-নাওরি শোনবা, ফম্বী শোনবা তৌরম্বা অদু ওজা MV Azad Phusam ☎ 7628890261/9089738275 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা MV Azad Phusam বু হন্না-হন্না পাউচেগী থোংদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Sat open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (Sun & Wed open)

HL-P/4162/27 থাগৎচরিবা : **A. Peter,** Kakching

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ওজা এম ভি নাজিরবু থাগৎচরি



**নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, অমাংথোংদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদা অমাংথোংগী অকোয়বদু কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা কুইনা চঙবা ফহনবগীদমক ওজা নাজিরবু থাগৎচরি**

ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোং ময়াদা চানা মরুমুক চাওবা অমা পোমথোরক্লগা লৈবা, মরক মরক্তা অমাংথোংদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা অদু খোৎলুরগনা অমাংথোংগী অকোয়বদু হঞ্জিনখিবা, অদুগা অমুক হন্থখিবা মতম খরা লৈরগা অমাংথোংগী অকোয়বদু কোবিলৈ শাৎপগুম্না পোমথোরকপা, অদুগী মতুংদগী নিঙ্গাংনা ফম্বা ঙমদবা, চুম্না ফম্বদসু য়াম্না নাবা, অমাংথোং মনুংদসু য়াম্না চিকপা নাবা, অমাংথোং অকোয়বদগী ঈপুম নাইপুমগুম্বা তারকপা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা লৌথোক্কনি খনবদা অৱাবা ওইবা, মতম কুইনা খুৎ শীজিন্নবা অদুদা অমাংথোং মনুং অমদি অকোয়বদু শোল্লকপা, খোঙ হাম্বা মতম কুইনা চঙবা, মরক মরক্তা খোঙ হাম্বা য়াদবা য়াওবা, ঙকশম মরী নাবা, খ্বাঙ নাবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, ফম্বী শোনবা, শিংলি নাওরি শোনবা, ফিঙৌ চৎপা, লৈকোই শৌবা, তোন্সিল অমদি সাইনস তৌরম্বা অদু **MV Najir Ahmad Baseimayum, Mayang Imphal Konchak Bazar Makha Leirak Macha, Contact No. 9383069356/9402873334** দা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে।

থাগৎচরিবী : Ch. Chan Chan
Churachandpur
HL-P/4198/27